**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 01-01-2025)**

**২০২৫ ঃ** অনৌবা চহি ২০২৫ বু মালেমগী মফম কয়াদা হরাউ তয়ামা ওকরি।

মালেম শিন-থুংবদা জগোই-ঈশৈ অমসুং নীংথিজরবা মৈগী কুন্মো পাঙথোক্তুনা মীয়াম পুন্না অনৌবা চহি ২০২৫ বু হরাউ তয়ামা ওক্তুনা পুন্সিগী অনৌবা পন্দুপ অমা হৌখ্রে। অনৌবা চহি অসি টাইম জোনশিং লান্না পেসিফিক্কী কিরিবাতিদগী হৌরগা আমেরিকান সমোৱাদা লোয়শিনখি।

অনৌবা চহি অসি মালেমগী ওইনা অচৌবা সিটিশিংগী মনুংদা ন্যুজিলেন্দগী ওকলেন্দনা ইহান হান্না অনৌবা চহিবু তরামা ওকখি। মীওই লিশিং কয়ানা হরাউ তয়ামা ফোংদোক্তুনা নোংথক্তা মচুগী মৈঙাল কয়া কাপখৎখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী সিদনিগী হারবর ব্রিজ অমসুং ওপেরা হাউসকী মথক্তা অহিং-নোংয়াই চপ চানা তাবা মতমদা নোংথক্তা পুকিং হুনা ফজরবা মৈঙালগী কুন্মো কয়া উবা ফংখি।

দুবাইগী বুজ খালিফাদা  লৈবা মালেমগী খ্বাইদগী ৱাংবা স্কাই স্কেপ্পর মথক্তা মীওই লিশিং কয়ানা শরুক য়াদুনা ফজরবা মৈঙালগী কুন্মো কয়া উৎখি।

আমেরিকা, কনাদা, ব্রাজিল, অরজেন্টিনা অমসুং বরমুদাদাস্ মীওই লিশিং কয়ানা শরুক য়াদুনা অনৌবা চহিবু তরামা ওকখি। ন্যু য়োর্ককী টাইম স্কয়ারদা মীওই লিশিং কয়ানা শরুক য়াদুনা ফজরবা মৈগী কুন্মোশিংগা লোয়ননা অনৌবা চহিবু তরামা ওকখি।

ভারতকী অচৌ অচৌবা সহরশিংদসু মীওই লিশিং কয়ানা শরুক য়াদুনা মৈঙালগী থৌরম কয়াগা লোয়ননা অনৌবা চহিবু তরামা ওকখি। ভক্তা চা কয়ানা মনাক নকপদা লৈবা মন্দিরশিংদা চৎতুনা অনৌবা চহিগী য়াইফ থৌনি থৌরম কয়া পাঙথোকখি।

মনিপুরদসু অহিং নোংয়াই চবুক্তা বম্বুলা থাদুনা মীয়ামনা অনৌবা চহিবু

হরাউ তয়ামা ওকখি। রাজ্য অসিগী খৃষ্টান লাইনিং চৎপশিংনা চর্চশিংদসু প্রভু যিশু খৃষ্টবু থাগৎপগী ঈশৈ কয়া শক্তুনা অনৌবা চহিবু তরামা ওকখি।

**মেসেজঃ** অনৌবা চহি ২০২৫ না লাকপদা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা জাতি অসিগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরি। রাষ্ট্রপতিনা হায়- অনৌবা চহি ২০২৫ অসিনা মীপুম খুদিংমক্তা হরাউ তয়াম্বা, নুংশি চান্নবা অমসুং নুংঙাই য়াইফবা পুরকপা ওইরসনু। অনৌবা চহি লাকপা অসিদা হেন্না য়াইফবা, হেন্না মপুং ফানা পুমমকপু কোনশিনবা অমসুং ভারত অমদি মালেম পুম্বগী মপুং ফানা চাওখৎবা নুংঙাইরবা তুংগী পুন্সি অমগীদমক ঐখোয় পুমমকা অমুক হন্না হোৎনমিন্নরশি।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনসু মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরদুনা হায়- চহি অসিনা মীপুম খুদিংমক্তা অনৌবা খুদোংচাবশিং, মায় পাকপা অমসুং লোইবা নাইদবা হরাউ নুংঙাইবা পুরকপা ওইরসনু।

অনৌবা চহিনা লাকপদা মণিপুরগী রাজ্যপাল লক্ষমন প্রসাদ অচারিয়া, মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহ, মন্ত্রিশিং, এম.এল.এশিং তোঙান তোঙানবা রাজনীতি দল অমদি সংস্থান কয়ানা রাজ্য অসিগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

রাজ্যপালগী পাউজেলদা হায়-লাক্লিবা চহি অসিদা মীয়ামা অমত্তা ওইনা পুন্না লমদম অসিদা নুংশি চান্নবা অমদি চাওখৎপা পুরকবা হোৎনমিন্নরশি।

মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়-অনৌবা চহি লাকপনা নুংশিনদবা অমসুং অকিবা হায়বদু কাউথোকদুনা অমত্তা ওইনা পুন্না লৈমিন্ননবা হোৎনরসি।

এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ট-কৈশাম মেঘাচন্দ্র অমসুং শিবা সেনা মনিপুর প্রদেসকী প্রসিদেন্ট এম. তোম্বীনসু অনৌবা চহিনা লাকপদা রাজ্য অসিগী মীয়মাদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

**এরেষ্ট (এল)ঃ** মনিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসি লাকশিন্নবা সেক্যুরিতিগী অপুনবা কাংবুনা চিং অমসুং তম্পাক্কী মফম কয়াদা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

রাজ্যগী পুলিসকী পাউনা হায়-ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মন্ত্রি পুখ্রি বজারদা মনিপুর পুলিসনা ঙরাং থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী এক্তিব মেম্বর অমা খুৎলায়গা কোন্ননা ফারে। ফারবা মীওই অদু কাইরাং মমাং লৈকাইদগীনি। মঙোন্দগী মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এমগী পিষ্টোল অমা, লালহৌলুপ অসিগী শেলগী রিসিফ অনি, এ.টি.এম. কার্ড অমা, মোবাইল ফোন অমা অমসুং টু হ্বিল্লর গাড়ি অমা য়াওনা আইননা য়াদবা পোৎলম কয়া ফাগৎখি।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিস, বি-থারতি আইট এস.এস.বি অমসুং শিখ রেজিমেন্টকী অপুনবা কাংবু অমনসু ঙরাং লোক্তাক পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা থোংখোংলোক খুলদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থখি। মদুদা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমখি। ফাগৎলবা খুৎলাশিং অদুদি-এস.এল.আর. নোংমৈ অমা, থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, টুয়েল্ব বোর সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, এন্টি রাইওট গন অমা, ইনসাস এল.এম.জিগী মেগজিন অনি, ইনসাস রাইফলগী মেগজিন অনি, হেন্দ গ্রেনেদ মরি, দিটোনেটর অমা, টিয়ার স্মোগ গ্রেনেদ অনি, থারটি আইট এম.এমগী এন্তি রাইওট রবর বুল্লেট অনি, টিয়ার স্মোগ সেল অমা, নোংমৈ মরু কয়ামরুম য়াওনা পোৎলম কয়া ফাগৎখি।

অমরোমদা, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমসুং সেন্ট্রেল ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা থৌবাল জিলাগী লৈশাংথেম ইকোপ পাৎকী অকোইবা মফমশিংদসু থিবা হুম্বগী থবক চত্থখি। মদুদা এন্টি মেটরিয়েল রাইফলদগী শেমদোক্লবা স্নাইপ্পর নোংমৈ অমা, সিঙ্গল বোল্ট এক্সন রাইফল অনি, নাইন এম.এম.পিষ্টোল অহুম, থারতি সিক্স হায় এক্সপ্লোসিপ হেন্দ গ্রেনেদ অমা য়াওনা নোংমৈ মরু কয়ামরুম ফাগৎখি।

**বিরেন (এল)ঃ** হান্নগী মন্ত্রি-থৌদাম দেবেন্দ্রনা লৈখিদবদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা থম্মোয় শোকা অৱাবা ফোংদোকখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-মহাক মনিপুর মীয়ামগী য়াইফ থৌরাং কয়া পায়খৎনবা হোৎনবদা চোকথবা লৈতনা কৎথোকপগা লোয়ননা থৌদাং য়ারম্বা লুচিংবা অমনি। মহাকা লৈখিদবদা ইমুং মনুংদা নংহৌরিবা অৱাবদা শরুক য়ারি হায়রদুনা মহাক্কী থৱায়না ইংনা চিকা লৈরুবা ওইরসনু হায়রি।

**দেবেন্দ্র (এল)ঃ** হান্নগী মন্ত্রি-থৌদাম দেবেনদ্র সিংহনা লৈখিদবদা মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতিনা অৱাবা ফোংদোকখ্রে ।

ঙসি ইম্ফালগী কংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ট-কৈশাম মেঘাচন্দ্র সিংহ অমসুং হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-ওক্রম ইবোবী সিংহনা লুচিংদুনা দলগী এম.এল.এশিং, লুচিংবশিং অমসুং কর্মিশিংনা লৈখিদ্রবা লুচিংবা অসিগী মফমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী ইবোবীনা হায়-জিরিবামবু মপুং ফাবা জিলা অমা ওইহনবা হায়বসি লমদমদুগী মীয়ামগী মতম শাংলবা দাবী অমা ওইনা লাকখিবনি। লৈখিদ্রবা দেবেন্দ্র সিংহনা কন্না হোৎনজবদগী জিরিবাম মীয়ামগী মঙলান অদু মঙফাওনবা ঙমহনখিবনি। মহাকা হায়-মনিপুরগী অপুনবা শক্তম কায়হন্দনা ঙাক্তুনা থমবা হোৎনবদসু লৈখিদ্রবা লুচিংবা অসিনা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌরম্মী। থৌদাম দেবেন্দ্র অসি কংগ্রেস দলগীদি চাউথোকচনিংঙাই ওইরবা লননি হায়রদুনা শ্রী ইবোবীনা হায়-রাজ্য অসিগী ওইবা অরুবা ৱারেপ অমা লৌনবা হোৎনববু ইরোই লোইবা মতমদা মহাক্কী পাউতাক লৌদুনা ৱারেপ লৌখি। মহাকা মনিপুরগীদমক্তা লৌবীরম্বা থৌদাংশিং শিংথাদুনা লোইবা নাইরোই।

**জনতা (এল)ঃ** জনতল দল (য়ুনাইটেদ) মনিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট অমসুং হান্নগী মন্ত্রি-ক্ষেত্রিময়ুম বিরেননসু থৌদাম দেবেন্দ্রনা লৈখদবদা থম্মোয় শোকা অৱাবা ফোংদোরক্লি।

অৱাবা ফোংদোকপগী পাউজেল অমদা ক্ষেত্রি বিরেননা হায়-থৌদাম দেবেন্দ্রনা মহাক্কী পুন্সিগী চহি ৫০ রোমদি মনিপুর মীয়ামগী য়াইফনবা থবক তৌবদা কৎথোক্লমখি। তাংলবা শকাইরবা লুচিংবা অসিনা লৈখিদবা অসিনা মনিপুরগী ওইনা মেনশিনবা ঙম্রোইদবা অচৌবা অহোবা অমা লৈহৌরগনি। মহাকা লৈখিদবদা ইমুং মনুংদা নংহৌরিবা অৱাবদা শরুক য়ারি হায়নসু ফোংদোরক্লি।

হান্নগী লৈবাক অসিগী প্রধান মন্ত্রি-ডাঃ মনমোহোন সিংহনা লৈখিদবদসু ক্ষেত্রি বিরেননা থম্মোয় শোকা অৱাবা ফোংদোরক্লি।

**নুরুল (এল) ঃ** ক্ষেত্রিগাউ কেন্দ্রগী এম.এল.এ. সৈখ নুরুল হাসননা হায়রি-এম.এল.এশিংগী খুথাংদা থাদরক্লিবা লোকেল এরিয়া দিবলপমেন্ট ফন্দশিং নিয়ম চুমা শিজিন্নরবদি কেন্দ্র অমদা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং শিংথানিংঙাই ওইনা পায়খৎপা য়াই।

ক্ষেত্রি ইরিল মপাল য়ুথ ক্লব মল্টি পরপজ স্পোর্টস কমপ্লেক্স শানবগা মরী লৈননা ঙসি পাঙথোকপা থৌরম অমদা এম.এল.এনা হায়-স্পোর্টস কমপ্লেক্স অসি মহাক্কী লোকেল এরিয়া দিবলপমেন্ট ফন্দ অমদি সৈখ ব্রদরসনা পুন্না শেল পুথোক্তুনা মহাক্কী লৈখিদ্রবা মপাগী মমিংদা শেম্বা ভিজন ক্ষেত্রিগাউগী শরুক অমা ওইনা শেমগৎকদবনি। স্পোর্টস কমপ্লেক্স অসি লুপা কোতি অনি মখায়রোম চংনা শেমগৎকদবনি। স্পোর্ট কমপ্লেক্স অসিদা চহি ৯ দগী হৌদুনা তোঙান তোঙানবা মশান্না কয়া শান্নবা য়ানবা মফমশিং শেমগৎকদৌরি।

থৌরম অদুদা লেবানন্দদা হৌজিক হৌজিক ভারতকী রাস্ত্রদুত ওইনা লৈরিবা এম.এল.এগী ময়াম্বা মহামদ নুর রাহমন সৈখ য়াওনা শকাইরবা মীওই

কয়া শরুক য়াখি।

**রাজনাথ ঃ** ঙাকশেল মন্ত্রালয়না অনৌবা চহি ২০২৫ বু মন্ত্রালয় অসিগী ওইনা ঙাকশেলগী লমদা তুং কোইনা চৎনগদবা রিফোর্মশিং পায়খৎনবা চহিনি হায়না লাউথোকখ্রে।

ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা ঙাকশেল মন্ত্রালয়গী সেক্রেটরিশিংগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা মন্ত্রালয় অসিনা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিং, প্রোজেক্টশিং অমদি রিফোর্মশিং হন্না য়েংশিনখি। পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং য়েংশিল্লবা মতৎদা অনৌবা চহি অসি ঙাকশেলগী লমদা শিংথানিঙাই ওইবা থবক কয়া পাঙথোকপা ঙমগদবা ইয়ার ওফ রিফোমর্স ওইরগনি হায়না মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

**য়োজনা ঃ** প্রধান মন্ত্রি ফসল বিমা য়োজনা অমসুং রি-ষ্ট্রকচর ৱেদর বেজ ক্রোপ ইন্সুরেন্স স্কিম মখা তানা ইং ২০২৫-২৬ ফাওবা চত্থনবা কেন্দ্রগী মন্ত্রি-মন্দলনা অয়াবা পীখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা মন্ত্রি-মন্দলগী মীফম লোইরবা তুংদা পাউমীশিংদা ৱাফম অসি ফোংদোক্লদুনা কেন্দ্রগী ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈসনোনা হায়-স্কিম অসিগীদমক কায়থোক্লিবা শেনফম লুপা কোতি ৬৯ দগী ৫১৫ দা হেনগৎহল্লে। মহাকা হায়-হৌখিবা চহি ৮ অসিদা লৌমীশিংদা স্কিম অসিগা মরী লৈননা লুপা কোতি লাখ অমা লিশিং ৭০ পীখি।

অনৌবা চহিগী অহানবা মন্ত্রি-মন্দলগী মীফম অসি লৌমীশিংদা কৎথোক্লবা মীফম অমনি হায়নসু মন্ত্রিনা শিংথাখি।

**ইনর্জি ঃ** সরকারনা হায়রি-ভারতনা রিন্যুএবল ইনর্জি পুথোকপগী চাং গিগাৱাট ২০০ হেনদুনা শিংথানিংঙাই ওইবা তাঙ্কক অমা য়ৌরে।

সরকারনা ইং ২০২৪ দা রিন্যুএবল ইনজিগী লমদা থৌশিল থৌরাং কয়া পায়খৎতুনা অকনবা থবক লৌখৎলকপদগী তাঙ্কক অসি য়ৌরকখিবনি। মসিনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ফোসিএল ফ্যুয়েল ইনর্জি নত্তবা রিন্যুয়েবল ইনর্জি পুথোকপগী চাং লৈবাক অসিগী ওইনা গিগাৱাট ৫০০ য়ৌহন্নবা পান্দম থল্লিবা অদু ফংনবা হোৎনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

ঐখোয়গী পাউমীনা হায়-ইং ২০২৩ গা য়েংনবদা ইং ২০২৪ না রিন্যুয়েএবল ইনর্জি পুথোকপগী চাং চাদা ১৪ হেনগৎলে। মসি সরকারনা প্রধান মন্ত্রি সুরিয়াঘর মুক্তা বিজিলি য়োজনা হৌদোকপা, য়ুমথক্তা সোল্লর পেনেলশিং খিনবগী থবক কোতি অমা হেন্না পায়খৎখিবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা থৌশিল থৌরাং কয়া পায়খৎলকপদগীনি।

**কন্সটিটুটুয়সন ঃ** ৮ শুবা সেদ্যুলদা চল্লবা লোল ২২ দা সংবিধানবু হন্দোকবা ভারত সরকারনা থৌরাং অমা হৌদোক্লে। নেসনেল ট্রান্সলেসন মিসন্না কেন্দ্রগী লো এণ্ড জষ্টিস মন্ত্রালয়গী ওফিসিয়েল লেঙ্গোইজেস ৱিংগী মতেংগা লোয়নননা পায়খৎলিবা প্রোজেক্ট অসি অনৌবা চহি ২০২৫ অসিগী মার্চ ফাওবদা লোইশিল্লবা য়াই হায়না পানরি।

পি.টি.আইগী পাউ অমনা হায়- ভারত সংবিধান অসি হৌজিক হৌজিক লোল ১৮ দা ফংলে। হৌখিবা চহি ২০২৪ দা মৈথিলি অমসুং সংস্কৃট হাপচিনদুনা লোল খুদিংমক্তা হন্দোকবগী মাইকৈদা শিংথানিঙাই ওইবা খোঙথাং অমা থাংজিনখি।

**ইয়ার ঃ** ইয়ার মার্সেল-জিতেন্দ্র মিশ্রানা ঙসিদগী ইন্দিয়ান হয়ার ফোর্স ৱেষ্টৰ্ন ইয়ার কম্মান্দগী কম্মন্দর ওইরে।

মহাক ইং ১৯৮৬ তা ইন্দিয়ান ইয়ার ফোর্সতা ফাইটর পাইলোট ওইনা চংল্লকখিবনি। মহাক্কী চহি ৩৮ গী সার্ভিসতা তোঙান তোঙানবা শিংথানিংঙাই

ওইবা থবক কয়া পাঙথোকখ্রে।

**ফেন্সিং**ঃ কেরলাগী কনুরদা চথুরিবা ৩৫ শুবা সেনিয়ার নেসনেল ফেন্সিং চেম্পিয়নসিপ ২০২৪-২৫ গী নুপীগী ফোইল ইন্দিবিজ্‌য়েলদা মনিপুরগী ৱাইখোম সোনিয়া দেবীনা সনাগী তকমান অমসুং নাওরেম মিনানা শেঞ্জেংগী তকমান লৌখ্রে। মহাকা ইভেন্ট অসিগী ফাইনেলদা হরিয়ানাগী কনুপ্রিয়াবু ১৫-৯ দা থোইখিবনি।

কনুপ্রিয়ানা মনিপুরগী নাওরেম মিনাবু ৯-১৫ দা থোইদুনা ফাইনেল চংল্লকখিবনি। চেম্পিয়নসিপ অসিগী ইপি ইন্দিভিজ্‌য়েলদা মনিপুরগী লাইখুরাম বিদ্যাপতিনা শেঞ্জেংগী তকমান লৌখ্রে। বিদ্যাপতিনা সেমি ফাইনেলদা হরিয়ানাগী তনিকসা খাত্রিগী মখুৎতা ১০-১৫ দা মায়থিখিবনি।

**হোকিঃ** উরিষ্যাগী রোলকেলাদা চথুরিবা হোকি ইন্দিয়া লিগতা ঙসি নুমিদাং স্রাচি রাধা বেঙ্গোল টাইগরস অমসুং গোনাসিকা অনিনা শান্নগনি। মেটচ অসি ঙসি নুমিদাং হৌজিক ঙাইহাক্কী মতুং পুং ৮ মিনিট ১৫ দা শান্নবা হৌগনি।